

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, NOVEMBER 30, 2018 PAGE 7





*য়ুএসএগী ফাবিয়ানো করোনাবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীরল্লগা ৱার্ল্ড চেছ ক্রাউনগী টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রবা নোররেগী মেগনস কার্লসন*

*খোঙনিং শোকপনা মরম ওইরগা য়ুরোপা লীগতা মতম খরা শরুক য়ারোইদৌরিবা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিদা শান্নরিবা বেলজিয়মগী শান্নরোই ইদেন হজার্দ*

*ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*

## চেন্নাইন এফসি অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



*কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোলকিপর মোইরাংথেম ধিরজনা চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা ঙাকথোকপা*

*চেন্নাই, নবেম্বর ২৯ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯ গী ঙসি চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা চেন্নাইন এফসি অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা রাফেল ওগষ্টোনা কাওশিনখিবা সোট অমা মপা শোয়খিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা চেন্নাইননা মাঙজখি।

শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোই থোই সিংহ অমসুং জেজে লালপেখলুৱানা পাস তৌনদুনা পুশিল্লকখিবা য়াম্না ফজবা বোল অমা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোলকিপর মোইরাংথেম ধিরজনা গোল চল্লমদাইদা ফাবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমসু নাম্থোকখি।

অহানবা হাল্ফ অদুদা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিগী দিফেন্দরশিং অমসুং গোলকিপরনা ফজবা হেনখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু য়ুম্বু টিম ওইখিবা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা অদুমক বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌদুনা শান্নরকখি। অদুবু কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা তৌশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। মেটচ অসিদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোলকিপর মোইরাংথেম ধিরজনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী হিরো ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

## আইওসিনা ওলিম্পিক্সকীদমক বোক্সিংগী মতাংদা ঙসি ৱা খন্নগদৌরি

*টৌকিও, নবেম্বর ২৯ঃ*

ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতি (আইসিসি) না কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টৌকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক বোক্সিংগী মতাংদা ৱা খন্নগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০১৬ দা পাঙথোকখিবা ব্রাজিলগী রিও ওলিম্পিক গেমসতা বাওট ফিক্সিং স্কান্দলগা মরী লৈননা আইওসিনা ওফিসিয়েল অমসুং রেফরি ৩৬ সস্পেনদসন থমখিবনি।

রিও ওলিম্পিক্সকী বাওট ফিক্সিং স্কান্দলগী মতুংদা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা এআইবিএগী গভর্ণেন্সতা অকনবা মীৎয়েং থল্লকখিবনি।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা এআইবিএনা আইওসিনা অপদেট রিপোর্ট অমা পীশিল্লকখ্রে। অদুবু রিপোর্ট অদুদা পল্লকখিবা ৱারোলশিং অদুদা অৱাৎপা খরদি লৈরি হায়না আইওসিগী প্রসিদেন্ট থোমস বেকনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্তিঃ এআইবিএগী ফাইনান্সিয়েল ফিভম কন্ট্রোল তৌরে, এমেচর বোক্সিং অসি চাম্মদা চাম্মা এন্টি–দোপ্পিং রুলগী মখাদা লৈরে অদুনা বোক্সিং মশান্না অসি ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈরে হায়না নৌনা এআইবিএগী প্রসিদেন্ট ওইখ্রবা উজবেকিষ্টান মচা গাফুর রাখিমোভনা ফোঙদোকখি।

## লেব দাটা দেদলাইনগী মতাংদা ৱাদাগা রুসাদাগা ৱারী শান্নখ্রে

*মোস্কো, নবেম্বর ২৯ঃ*

লেব দাটা দেদলাইনগী মতাংদা ৱার্ল্ড এন্টি দোপ্পিং এজেন্সি (ৱাদা) অমসুং রুশিয়ান এন্টি দোপ্পিং এজেন্সি (রুসাদা) গা ঙসি লৈবাক অসিগী কোনুং মোস্কোদা ৱারী শান্নখ্রে।

ঙসি ৱাদাগী দেলিগেট অহুম্না পুন্না চৎতুনা রুসাদাগী লেবদা চথরিবা থবক থৌরমশিং অদু য়েংশিল্লবা মতুং মরিক চুম্বা রিপোর্ট পীখৎলক্কবা খঙহল্লমখি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বর থাদা ৱাদাগী কমিসন রিপোর্ট অমদা ফংখিবা দাটাদা রুশিয়াগী এঠলিটশিং অসি এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিগী রুল ঙাক্না চৎতবগী খুদম কয়া ফংখিবদগী ইন্টরনেসনেল ইভেন্টশিংদা শরুক য়াবদা অথিংবা থম্লকখিবনি। অদুবু ৱাদানা রুশাদাদা শিরকখিবা মরালশিং অদু মোস্কোনা য়াখিদবনি।

ৱাদানা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা রুশাদাগী থবক থৌরমশিং অদু চৎন–পথাপকী ৱাংমদা তৌদনবা অমদি মরিক চুম্বা রিপোর্ট থাগৎলক্কবা খঙহনখিবা লৈখি। করিগুম্বা মরিক চুম্বা রিপোর্ট পূম্বা দিসেম্বর ৩১ গী মনুংদা থাগৎলক্তবা তারগদি মখা তানা অথিংবা থল্লকপগী ফিভমদা লৈরি।

## স্পেনগী বার্সেলোনানা নেদরলেন্দসকী পিএসভি এন্দোভন ২–১ দা থোইখ্রে এটলেটিকো মাদ্রিদ, পিএসজি অমসুং টোটেনহাম হোটস্পরসু মায় পাকখ্রে



*বার্সেলোনাগী শান্নরোই লিওনেল মেসি (য়েৎতগী অনীশুবা) না পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

*এন্দোভন, নবেম্বর ২৯ঃ*

য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট য়ুইএফএ চেম্পিয়ন্স লীগকী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব বার্সেলোনানা নেদরলেন্দসকী ক্লব পিএসজি এন্দোভনবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদ, ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং ইংলেন্দগী টোটেনহাম হোটস্পরসু মখোয়–মখোয়গী গ্রুপ মেটচ মায় পাকখ্রে।

মাঙজৌননা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রবা বার্সেলোনা অমসুং পিএসজি এন্দোভননা ঙসি শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ‘বি’ গী ৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঙ্গল মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা বার্সেলোনাদা শরুক য়ারিবা আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা ৭০শুবা মিনটতা চথুরকখিবা মখাতাবা এটেক অমদা জেরাদ পিক্যুনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা য়ুম্বু টিম নেদরলেন্দসকী পিএসজি এন্দোভনবু ২–০ দা হেনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা পিএসভি এন্দোভনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লুক দি জোংনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙম্বা ঙমখি। মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিবদগী বার্সেলোনানা পিএসজি এন্দোভনবু ২–১ দা থোইরল্লগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা লৈরি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরনা ইটালিগী ক্লব ইন্টরবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখি।

টোটেনহাম হোটস্পরগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফকী ৮০শুবা মিনটতা খৃষ্টিয়ান ইরিকসেননা চনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’ গী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদনা ফ্রান্সকী ক্লব মোনাকোবু ২–০ দা থোইবা ঙমদুনা গ্রুপকী মকোক ওইবা ঙমখি। এটলেটিকো মাদ্রিদসু মাঙজৌননা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রবা টিম্নি। এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী অনী শান্নবগী ২শুবা মিনটতা কোকেনা অহানবা অদুগা ২৪শুবা মিনটতা এন্টোইন গ্রিজমাননা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘সি’ গী ৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেননা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলবু ২–১ দা থোইখি।

পেরিস সেন্ট জর্মেনগী পাঞ্জল অনী অদু শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা জুৱান বর্নাটনা অহানবা অদুগা ৩৭শুবা মিনটতা ব্রাজিল মচা নেমারনা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মোনাকোগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা জেমস মিলনরনা চনবা ঙমখি।

## মমাঙগী ইদিসনদা অহুমশুবা তাখিবা আর্জেন্টিনানা স্পেনবু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে, ন্যু জিলেন্দসু মায় পাকখ্রে



*আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*ভুবনেশ্বর, নবেম্বর ২৯ঃ*

ইন্দিয়াগী ষ্টেট উরিষানা য়ুম্বু ওইরগা ভুবনেশ্বরদা চথুরিবা হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ১৪শুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা পুল ‘এ’ গী অহানবা মেটচতা মমাঙ সিজনদা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা আর্জেন্টিনানা স্পেনবু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। পুল অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ন্যু জিলেন্দনা ফ্রান্সপু ২–১ দা থোইখ্রে।

আর্জেন্টিনা অমসুং স্পেননা ঙসি শান্নখিবা পুল অসিগী অহানবা মেটচ অদুদা স্পেনগী শান্নরোই ইনরিক গোঞ্জারেজনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মিনট অমা লৈরগা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা থুংনা য়াঙনা তৌরকখিবা এটেক অমদা অগষ্টিন মাজালিনা ফিল্ড গোল অমদা পাঞ্জল অমা চল্লগা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নবা ঙমখি।

১৪শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা রিকার্দো সান্তানানা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা অমুক হন্না আর্জেন্টিনাদগী মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ১৫ অমসুং ১৬শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই আগষ্টিন মাজিল্লি অমসুং গোঞ্জালো পৈল্লাটনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা আর্জেন্টিনানা স্পেনবু ৩–২ দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৩৫শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোই ভিসেন্স রুইজনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ৩–৩ দা মান্নখি। শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখিবা গোঞ্জালো পৈল্লাটনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা পুল ‘এ’ গী অহানবা মেটচ অদু আর্জেন্টিনানা স্পেনবু ৪–৩ দা মায়থিবা পীখি।

পনবা য়াই ঙসি স্পেনগী মায়োক্তা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই গোঞ্জালো পৈল্লাট ৱার্ল্ড কপ অসিগী মমাঙগী ইদিসনদা গোল ১০ চনবা ঙমদুনা টোপ স্কোরর ওইবা ঙমখিবনি।

পুল ‘এ’ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ন্যু জিলেন্দনা ফ্রান্সপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। অহানবা ক্বার্টর লোইশিনখিবদা টিম অনীমক পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপা অহানবা মিনটতা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথুখিবা এটেক অমদা কেন রুজেসনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই ষ্টেফেন জেনেসনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমদুনা ২–০ দা ফ্রান্সপু হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নরদা ভিক্তর চার্লেটনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দনা মখোয়বু ২–১ দা থোইখি।

## ইন্দিয়াগী জুনিয়র সট্লর লক্ষ্য সেন টাটা ওপন ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন চেলেঞ্জগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



*অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র সট্লর লক্ষ্য সেন*

*মুম্বাই, নবেম্বর ২৯ঃ*

মহারাষ্ট্রগী কোনুং মুম্বাইদা ঙসিদগী হৌখিবা ১১শুবা টাটা ওপন ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন চেলেঞ্জদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র সট্লর লক্ষ্য সেন নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নম্বর টু সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা হোং কোংগী চান য়িন চাকপু মিনট ৪০ চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৮, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমদুনা দানিয়েল ফারিদকা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী মিথুন মঞ্জুনাথ ৱার্ল্ড রেঙ্ক ২২০ দা লৈরিবা মালেসিয়াগী শান্নরোই টেক সি সুনা ১৯–২১, ২১–৯, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা ফেনুৱাট শ্রিমন্তনা ৪শুবা সিদেদ শ্রেয়ান্স জাইসৱালবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৭, ২১–১৬ দা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী প্রতুল জোসিনা জোর্জ এলেন পোলবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮–২১, ২১–১৩, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টাটা ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন চেলেঞ্জ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী মুগধা এগ্রেনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সেনান খৃষ্টিয়ানবু অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ২১–১৬, ১৮–২১, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভাইদেহি চৌধারিনা হোং কোংগী য়িয়ুং সুন য়িবু ২১–১৭, ২১–১৭ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়াগী শ্রুতি মুন্দাদানা ইজিপ্তগী দোহা হামীবু নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২১–৯, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা প্রাসি জোসিনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই কানিকা কনৱালবু ২১–১১, ১৬–২১, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

১১শুবা টাটা ইন্দিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র সুমিত রেদ্দি অমসুং পুজা দান্ধুনা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা পেয়র গৌরভ দেসৱাল অমসুং টপাস্বিনি সামান্টরিবু ২১–১৪, ২১–১৭ দা থোইরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মিক্স দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র ভিগনেস দেভালেকর অমসুং হরিকা দেলুটুর্থি হোং কোংগী পেয়র চাং টাক চিং অমসুং ৱিং য়ুংগী মখূত্তা ১৮–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌখি।

## ৱার্ম অপ টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়া এলভেনদগী রন ৩৩৪ হেন্দুনা চৎলি



*পৃথিবী সো*

*সিদনি, নবেম্বর ২৯ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা ৱার্ম অপ টেষ্ট মেটচকী অহানবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়া এলভেনদগী রন ৩৩৪ মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

ঙসিদগী শান্নবা হৌবিবা ৱার্ম অপ মেটচ অসিগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ওভর ৯২ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ১০মক আওট ওইরগা রন ৩৫৮ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বেটসমেন ৫ না রন ৫০ লান্থোকপা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু রন ৩৫৮ য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংগী মনুংদা পৃথিবী সোনা রন ৬৬ লৌখিবা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলি বোল ৮৭ মায়োক্নবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৬৪ লৌরমখি। অতোপ্পা রন ৫০ লান্থোকপা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেশিং অদুদি চিটেশ্বর পুজারা (৫৪), অজিনক্য রহানে (৫৬) অমসুং হনুমান ভিহারি (৫৩) নি। ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়া এলভেনগী বোল্লর আরোন হারদিনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৪ আওট ওইহন্দুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইবা ঙমখি।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়া এলভেননা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপগী ওভর ৪ লোইশিনখিবদা ৱিকেট অমত্তা আওট ওইদনা রন ২৪ লৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা মেক্স ব্রায়ন্ট অমসুং দি আকর্সি সোর্টনা মথংশিৎনা রন ১৪ অমসুং ১০ লৌরগা আওট ওইদনা লৈখিবদগী অহানবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা রন ৩৩৪ মাঙজিল থাদুনা লৈখি।